HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




সেগা রোদ ধোবি মচু লৈরক্কী রিসন মেন্সনদা লৈবা লীসনা ফাউন্দেসননা ফুবালাগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

লৈঙাকসিনা কুকি টেররিষ্টশিংগী মখুৎতা মীতৈ তুম্না হাৎহনবা পান্নব্রা : অপোকপী
☛ লামায় ২

‘কুকি টাইমস’ গী মথক্তা পুলিসনা কেস লৌখৎখ্রে
লামায় ৩

চূড়াচান্দপুর
☛ লামায় ৪

মিনিষ্টর, এম এল এশিংগী থা ৬কী তোলোপ রিলিফ কেম্পশিংদা পীবীয়ু
☛ লামায় ১০

থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখাদা লৈবা সনা শাবা মীওই অমদগী শেল অমসুং সনা পূন্না লুপা লাখ ৮০ রোম মুল্লগা পুখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা




Vol. 47, Issue No. 160 | নোংমাইজিং, থৱানগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, September 03, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মহেশ্বর থৌনাওজমদা অসাম রাইফলসনা লিগেল নোটিস পীরকপগী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙজং

# বি জে পিগী এম এল এশিং ফাওবা পূনশিনবা ঙমদ্রগা সী এস ওশিং পূনশিনবীরো হায়রক্লিবসি তানীংদে : এদভাইজর লাইশ্রম বিসোয়া

## নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহ, এন বিরেন অমসুং এ শর্দাগী মীতমশিং মৈ থাখ্রে



লিলোং চজিং মৈরা পায়বী লূপ অমদি ওল লিলোং চজিং ক্লবস ওর্গনাইজেসন অনীনা খুৎশম্নদুনা খুল থংনরিবা করাম, নরানকোঞ্জিন, লংথবাল অমদি খৌপুমগী মৈরা পায়বীশিংগা লোয়ননা ঙসি লিলোং কৈথেল ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী অপুনবা লিলোং চজিং মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট এম বেনুবালানা হায়, মহেশ্বর থৌনাওজমগী মায়োক্তা আই

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) :** আই জি এ আর (সাউথ) না মহেশ্বর থৌনাওজমগী মায়োক্তা লিগেল নোটিস পীরকপগী মায়োক্তা ঙসি চঙশিনখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা অপুনবা জি এ আর (সাউথ) না লিগেল নোটিস ইসু তৌরক্লিবা অসি মরম চাদে। মণিপুরগী থোক্লিবা ইৱাং অসিগী মতাংদা অচুম্বা খঙহন্নবা মহেশ্বর থৌনাওজমনা ৱা ঙাঙবা মতমদা অসাম রাইফলসকী মতাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** কুকি-জো ফূরুপ্না কোনশিনবা চীংগী কাঙলুপ মচা-মচাশিংগী মীয়াম্না শৌগৎপদা নত্তনা ফূরুপ অসিগী মীহুৎ ১০না ফাওবা মথৌ শঙলবা মখোয়গী মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীগদবনি হায়দুনা তাল্লকপদা য়েলহৌমী মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা হিংচা য়াইতম্বগী তমথীরবা লান চত্থরকপগী মতাংদা মপানগী মীদিয়াশিংদা অরানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা মীতৈ ফূরুপ্পু লান্না উহন্নবা

## গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে
## অথুবা মতমদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরি : বিরেন

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** আর পি আই (এ) গী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর মহেশ্বর থৌনাওজমদা আই জি এ আর (সাউথ) না লিগেল নোটিস থারকপগী মায়োক্তা ঙসি তম্পাক্কী মফম শিনবা থুংনা চঙশিনখিবা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী ৱাকৎ খোঙজংগা মরী লৈননা কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক মনিং ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক অপূনবা মৈরা পায়বী অমসুং কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক অচৌবা অপূনবা নুপী মৈরা পায়বীগী মীওইশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। য়াম্লবা নুপীশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপদা কৈশাম্পাৎ থোংজিন্দা পুলিসনা ঙাইহাক থৎখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবদুদা চীফ মিনিষ্টর মশানা মহেশ্বরগী মথক্তা এ আরনা লিগেল এক্সন লৌখৎলক্লিবা অসিগী মায়োক্তা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি। হৌজিকসু এ আরগা মণিপুর লৈঙাক্না কেস য়াম্না শোক্লরি হায়রকখি হায়রি।

লোয়ননা এন আর সী চৎনহন্নবা অমসুং বোর্দর ফেন্সিংগী মথৌ তাবনা মখা তানা বোর্দর ফেন্সিং তৌবগী থবক হৌরে। এন আর সীগী মতাংদা সেন্টরদা খঙহনখিবা লৈরে হায়বগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ঈৱাং অসি লোইশিন্দুনা মীয়ামগী মতু নাম্না শোকহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলি হায়নসু মেমোরেন্দম পীশিল্লুবা নুপী মীহুৎশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

হোৎনরকপগী মায়োক্তা লান অসিগী মরী মখোঙ য়াওনা অচুম্বা শক্তম মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরুবগীদমক মহেশ্বর থৌনাওজমদা অসাম রাইফলসনা লিগেল নোটিস পীরকপগী মায়োক্তা খোইশাওনরবা তম্পাক্কী মীয়াম মরু ওইনা নুপীশিংনা মাঙজিল থানা থোরক্তুনা অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা খূরক হাঙদনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা ‘কম্মিটি এগেনষ্ট লিগেল নোটিস বাই আই জি এ আর (সাউথ) টু মহেশ্বর থৌনাওজম’ গী মীৎয়েং মখাদা পাক্তক্লনা চঙশিনখিবা ঙসিগী ৱাকৎ খোঙজং অসিদা শরুক য়ারদুনা কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হাজারি লৈকায়দা লৈকায় অসিগী মৈরা পায়বীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বীগী এদভাইজর লাইশ্রম বিসোয়ানা, মহেশ্বর থৌনাওজমদা আই জি এ আর (সাউথ) না লিগেল নোটিস পীরক্লিবসি করিগীনো হংখিবগা লোয়ননা থৌওং অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি।

মহাক্না তৌরক্লিবসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কদাংবন্দ অমসুং গেলজাংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা কুকি মিলিটেন্ট ১ শিরে, ২ শোক্লে, নরানসৈনা মনীংদনা খুল ঙাকপা ১ নোংমৈনা পাল্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফুবালা মনীং থম্নাপোকপী অমসুং নরানসৈনা মনীংগী চীংগা তাইনবা মফমশিংদা নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিং অমসুং ষ্টেট ফোর্সকা অকনবা মওংদা লেপ্তুনা খূৎ থোক্লখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কদাংবন্দ অমসুং কাংপোকপী পি এসকী গেলজাং খুল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে।

গেলজাং খুলদগী কুকি মিলিটেন্টশিং কুমথরক্লগা মনাক নক্লা লৈবা এস দি ও ওফিস অমা মৈ থাবগা লোয়ননা কদাংবন্দ খুল তম্না এটেক চত্থরকখিবনি। মসিদা খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা খূৎ থোক্লবদা কুকি মিলিটেন্ট ১ শিরগা ২ শোকপদগী মতুং হল্লগা থৌদোক থোকফমদগী চেনখি। থৌদোক অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নরম্বা য়ূম অমসু মৈনা চাকখি। অদুম ওইনমক অসাম রাইফলস থোরক্তুনা খূৎ থোক্লন্দনবা হায়রকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদু লেপ্লখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা মোইৱাং পি এসকী মনুং চনবা নরানসৈনা মনীংগী শরুক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী খুল ঙাকপা য়াওবা খুঞ্জা অমা নোংমৈ মরূনা য়েৎ থংবা ফৈগন্দা পান্দুনা শোকখ্রে। শোক্লবা খুঞ্জা অদুগী মমিং সনসম রোকি (৩৩) অপোকপা সনসম ওংবী ইবেমচা কৌই, পাঙ্গৈ লাইরম মপালদগীনি হায়রি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা খূৎ থারকপদগী খুঞ্জাশিংনসু হন্দুনা কাপ্পখিবনি। শোক্লবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদনা তেরাখোংশাংবীগী মনীং থংবা শরুক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমা কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। লোয়ননা ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদনা থম্নাপোকপীগী মনীংদা লৈবা চীংদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ খুল তম্না বোম অমা কাপথরকখি। মসিদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে।

## ‘পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরক্তনা মোরেদা মীতৈশিং অমুক হন্না খুন্দাহনবা য়ারোই’

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** কুকি-জোনা খুন্দাবা মফমশিংদা লৈঙাক্না মীতৈ ওফিসরশিং দিপ্লোই তৌই হায়বগী মায়োক্তা ঙসি মোরে টাউনদা কুকি ইনপি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা কুকি-জো ফূরুপকী মীওই লিশীং ৪ রোম হেনবনা শরুক য়াদুনা টাউন অসিগী গেলঙম লেনতোলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা কুকি ইনপি তেংনৌপলগী ৱাঙাঙলোই কাইখোলাল হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরক্তনা মোরেদা মীতৈশিংনা অমুক হন্না খুন্দা-লৈতাবগী মায়োক্তা কুকি-জো ফূরুপ্না লেপকনি হায়খি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা সিক্যুরিটি/পুলিস অমসুং সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীতৈ পূম্নমক্না অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসি থাদোক্তুনা চৎকদবনি। মীতৈশিংবু মোরেদা অমুক হন্না খুন্দাহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা হান্না পুরক্কদবনি । লোয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা মীতৈশিং খুন্দাহনবা অমসুং মীতৈগী ওফিসরশিং থম্বা অসি চীফ মিনিষ্টরগী অরোনবা এজেন্দানি হায়খি।

### লুপা লাখ ৮ অমসুং লাখ ৭২ রোমগী সনা মুনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপদা মাস্ক উপ্পা মীওই ৪ চঙলক্তুনা থৌবাল পি এসকী মনুং চন্না থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখাদা লৈবা সনা শাবা ৱাংখেম রঞ্জিৎকী য়ূমদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৮.৫ অমসুং লুপা লাখ ৭২ রোমগী সনা-লুপাগী পোৎলমশিং কিহন-খংহল্লগা নমদুনা মুনখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মায়োক্তা থৌবাল অচৌবা পাখংখোং লৈরক্কী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস):** হয়েং সেপ্টেম্বর ৩দা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ককচীংদা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অয়ুক পুং ৫দগীনা নুংথিল পুং ২ ফাওবা অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

## লীসনা ফাউন্দেসননা লান নংলবা অমসুং খুল ঙাকপশিংদা অঙম্বা মতেং লেপ্তুনা পাংলক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লানগী মৈশা নংলবা মীওইশিং অমসুং লান অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীতৈ খুলশিং ঙাক শেল্লক্লিবা ভোলন্টিয়রশিংগীদমক সেগা রোদ দোবি মচু লৈরক্কী রিসন মেন্সনদা লৈবা চেরিটেবল ত্রষ্ট ‘লীসনা ফাউন্দেসন’ না লেপ্পা লৈতনা মথৌ তাবা শেল অমসুং পোৎলমশিং তেংবাঙদুনা লাকখিবশিংগী মনুংদা জুন ১৩গী নুমিদাংদা থোকখিবা খামেনলোক্কী লানফমদা য়েৎ থংবা মীৎ শোক্তুনা লায়েং চত্থরক্লিবা লম্লাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা লৈমখোং মপালদগী মংশাতাবম সনাথোই অপোকপা এম রঘু অমসুং অপোকপী এম আশালতাদা মমাঙ থাগী ২১ (ওগষ্ট ২১, ২০২৩) দা শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নখ্রে।

মমাঙদসু ফাউন্দেসন অসিনা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী খূত্থাংদা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগীদমক জুন ১১দা উগী কাংথোল ৩০সু খূৎশিন্নখি। অদুগা জুন ১৩দনা লাননা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপমদা লৈবা ব্রাইট করিয়র একাদেমিদা হাংবা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌরকখিবা অঙাংশিংগীদমক ত্রঙ্ক, ফিরোল য়াওনা এক্সর্সাইজ বুকশিং অমদি কলমনচিংবসু তেংবাঙখি।

মখা তানা ফাউন্দেসন অসিনা নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদগী কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা লান্দা চত্থরকপদগী মীতৈ খুলশিং ঙাকপগী থৌদাং লৌরক্লিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নরানসৈনা অমসুং ফুবালাগী ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংদা ঙসি (সেপ্টেম্বর ২, ২০২৩) দা চেঙ বেগ ৫/৫, হৱাই অমসুং আলু বোরা ১/১, তিলহৌ বোরা ১/১, অচাথাও লিটর ১২/১২, থক্লনবা ঈশিং বোট্টলগী বোক্স ৫/৫, থুম পেকেট ৮/৮, মোরোক অমসুং এঞ্জাং-নাপিশিং মতেং পাংখি।

পোৎলমশিং অসি ফাউন্দেসন অসিগী প্রসিদেন্ট সৌবাম অনিলকুমারনা লুচিংদুনা ফাউন্দেসন অসিগী মরু ওইবা থৌপুবশিংগা লোয়ননা মফম-মফমশিং অসিদা চৎতুনা হকথেংননা খূৎশিন্নখিবনি।

## ইন্দিয়ানা নুমিৎকী মরমদা থিজিন্নবা অদিত্য এল-১ মায় পাক্না থাগৎখ্রে



**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ‘চন্দ্রায়ন-থ্রী’ বু মায় পাক্না থাগৎতুনা থাগী লৈমায়দা তাহনবা ঙমদুনা মালেমগী স্পেসকী খোঙচৎতা মশক নাইবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ওইনা নুমিৎকী মরমদা থিজিন্নবগীদমক অহানবা সোলর মিসন ‘অদিত্য এল-১’ মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখ্রে। নুমিৎকী মরমদা ষ্টদি চত্থনবগীদমক ওবজর্ভেটরি ক্লাসতা য়ূম্ফম ওইবা লৈবাক অসিগী অহানবা সোলর মিসন অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১.৫০ তারকপদা অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীহরিকোটাদা লৈবা ছটিশধাৱন সেন্টরদগী ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) না পোলর সেটিলাইট লঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভি-সী ৫৭) গী মতেং লৌদুনা মায় পাক্না থাগৎখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও মতুংদগী মোটবুংদা মীতৈশিং লৈরক্লবনি য়ূমশিং মৈ থাদোকখ্রবসু লৈঙাক্না ইঙ্খোলশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বীয়ু-১

### হকথেংনবা পাউদম
#### মোটবুংগী খুঞ্জা অনী

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) :** থরক্লিবা লান অসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্না লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। লান লোইরগা ঐখোয়গী য়ূম্ফমদা হঞ্জিনবা য়ানবা লৈঙাক্না ঐখোয়গী ইঙ্খোলশিং ঙাক্লগা থম্বীয়ু। মোটবুংদা লৈহৌরিবা ইশাগী ইঙ্খোল য়াম্না নুংশি, থৱায়দগীসু হেন্না লূনা খঙ্জে। মরম অসিনা লৈঙাক্না ঙাক্লগা থম্বীয়ু হায়না মোটবুং মীতৈ মমাঙ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকখিবা ইরোম নিংথেমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না হায়, মোটবুংদা চহী ৬০ হেন্না লৈরক্লবসু মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থারকপা উনা উনা থৱায় হিংননবা চেল্লকপা তাখি। হন্দক্কী লান অসিদি য়াম্না তমথীবা লাননি। হৌজিকসু লান লোইদ্রি। লৈঙাক্না শারিবা টেম্পররি সেল্টর হোমদা ঐখোয় কয়াম কুইনা লৈগদৌরিবনো হায়বসু খঙদ্রি। লাঞ্জেল্লকপদা করিমত্তা পুরক্তনা ইশা ঙাক্তা চেল্লকখিবনা হিংবসিদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থেংনরবসু হৌজিক



রিলিফ কেম্পদা লৈরি। রিলিফ কেম্পদা ঐখোয়না শীজিন্ননবনি হায়দুনা নোংমগী লুপা ৮০/৮০ পীরকখি। শেনফম অসিসু লুপা ১০০/১০০ পীগদবদা চেঙগীনি হায়দুনা লুপা ২০/২০ কক্লগা লুপা ৮০/৮০ খক্তমক পীবনি। শেনফম অসিসু নুমিৎ ১০নি শুরবা মতমদা পী। অদুগা হৌজিক নুমিৎ ১০নিগী শেনফমসু পীথোক্তনা লৈরি। মরম অসিনা পীথোকফম থোক্লবা শেনফমশিংসি পীথোকপীয়ু হায়রি।

মণিপুরদা অমিট শাহ লাক্লিঙৈদা চীফ মিনিষ্টরনা য়ূম মৈ চাকখ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ২/২ পীরগনি হায়না লাউথোকখি। শেনফম অদু পাম্লুবগী ৱাফমদি নত্তে অদুবু হৌজিক নৌহৌননা য়ূম অমুক লিংগদৌরিবনিনা তৌবা য়াবা/হোৎনবা য়াবা খরা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক শেনফম অদু ঐখোয়গী একাউন্টদা হাপ্পীরক্লো হায়নীংই হায়রি।

মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী খুঞ্জাশিংগা পূল্লগা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মশীং থিঙমদ্রবা কুকিশিংনা লাক্তুনা য়ূম মৈ থারগনি হায়বা থাজরুদবনা য়ূমদা অদুমক লৈখি। মমাঙদসু খৎন-চৈনবা খরা থোকখ্রে। অদুবু য়ূম ফাওবদি মৈ থাখিদে অমসুং লাঞ্জেন্নবসু তৌখিদে। অদুবু নুমিৎতুদি সোরোক ময়াদা লৈবা মীতৈগী য়ূমশিংদগী হৌনা মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মীতৈগী য়ূমশিং মথং মথং মৈ থারকপগা লোয়ননা কুকিশিংনা অকনবা মওংদা লাউ-খোংদুনা চঙশিল্লকপনা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপদৌনা তৌখি। চুম্না খক্তা ...মখা হয়েং

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Tamthiraba Landi khamdana Chief Ministerna Manipurda tangdu leitaba puraknaba akanba thabaksing loukhatli hairibasi oithokkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Parliamentki akhannaba session kourakpagum Manipur Legislative Assemblygisu special session phamnanaba kourakkani thajabra?

Yes 0% No 100%

### অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা মৈরা পায়বীশিংনা পাক শন্না চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংশিং




থৌদা ভাবোক লৈকায়



হোদাম লৈরক্কী মৈরা পায়বীশিং



কোঞ্জেং হজারি লৈকায় অমসুং খ্বাইরাকপম লৈকায় মৈরা পায়বী




কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক অমসুং কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক অচৌবা অপূনবা নুপী মৈরা লূপ



সেকমাইজিন হঙ্গুন দাইরি ফার্মিংদগী ভেটিরিনরি ওফিস ফাওবগী মনুংদা লৈবা মৈরা পায়বীশিং



লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বী




তাওবুংখোক অপূনবা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিং



তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিং



সেকমাইজিন হঙ্গুন ময়ায় অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বীশিং



চনা অপূনবা মৈরা পায়বী



খোংজোম মৈরা পায়বী